# হৌজিক্কী ফিল্ম অসিদি অঙাংশিংনা পাম্নবা নম্বনি ঃ নাওরেম অহঞ্জাও




AROIBA BIDAI
Shankar Films Industries - 1999





MEICHAK MEICHAK
Shankar Films Industries - 1997



JEHRA
C.S. Film Productions - 1999

*– নোমিতা খোংবান্তাবম -*

ফিল্মনা মপাঙ্গল কনখৎলকপা হায়বসি হোলসু মশীং য়াম্না লৈবা মথৌ তাই। ঙল্লিঙৈ মতমগী মণিপুরী সিনেমা হোলগী ঈহৌ হায়বসিসু মপান লমগা য়েংনবদা থোইদোক্লা তাবা নৎতে হায়রবসু য়াই। পীকখ্রবা লমদম অসিগী লোইজি লোয়া য়াওনা সিনেমা কাপ্তুনা য়েংহনবা ঙম্নবগীদমক্তা সিনেমা হোল শাবগীদমক্তা খন্ন নৈনবা লৈখিদবা নত্তে। মসিমক্লসু শামুরৌদা মশক নাইবা হোল ওইহন্নবগীদমক্তা মচু সিনেমা হোল শাখিবা নীংশিংবা য়াই।

হোংলক্লিবা মণিপুরগী মায়ওন অসিদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী সিনেমানা পীরিবা চৈথেং অসিদা মণিপুরগী হোল পূম্নমক্তা ওইরে। মরমদি ফিল্ম লৈবগী হোল লৈবনি, ফিল্ম লৈত্রবদি সিনেমা হোল লৈরুবগী করি কান্নগনি হায়বা য়াম্না লুবা তাঙ্কক অমা হায়বদু হৌজিক ওইরক্লে।

মালেমগী ওইনা চাওখৎপা অমদি অহোংবা পুরকপদা ফিল্মসু য়াওদুনা লাক্লবা মতম অসিদা মণিপুরী ফিল্মদি মমি শাম্না লৈরক্লি। কম্প্যুটর অমদি ইন্টরনেটকী মতেংনা মালেম পূম্বা নকশিন্নরক্লবা মতম অসিদা মণিপুরী ফিল্মনা নাথৈদুনা চৎপগা পাংখক ওইরকপগুম্না লৈরক্লিবা অসিগী ৱাহন্থোক করি লৈবগে হায়বদু থিদোক্তুনা খন্ন-নৈনদবা য়াদ্রবা মতাং অমসু ওইরি।

মণিপুরী ফিল্মগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা অমদি খঙজিনমীন্নবা হায়বসিদা হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা থৌদাং য়াজদুনা মফম অমা থমজবা অসিদা পুলিস ওফিসার, য়ু ঙাওবা, পেরলাইসিস তৌরবা অহল, খুঙ্গংগী অহল কয়া শাদুনা, অহলগী মরু ওইবা রোল কয়া লৌদুনা কুম্লকখ্রবা নাওরেম অহঞ্জাওগা উনরুবগী পাউদম খরা পাবীরিবশিংগী মফমদা থমজরি।

মণিপুরী সিনেমা হোল অমদি হৌজিক পুথোরক্লিবা ফিল্মগী মতাংদা নাওরেম অহঞ্জাওনা ফোঙদোকপীরকপদা, হৌজিক্কী পুথোরক্লিবা ফিল্ম মখল অসিদি অঙাংশিংগীনি। প্রদ্যুশরনা শেল মাঙদনবা হোৎনবদা অঙাংশিংনা পাম্নবা ফিল্ম নম্বনি। ফিল্মগী ষ্টেন্দর্দ অসিদা অহলশিংনা য়েংবা য়াবা ফিল্ম ওইরক্তবা অসিসু ফিল্মগী লাইবক থিবগী মনুং চল্লিবনি। মসিনা মরম ওইরগা হান্না অহলশিংনা শেলগা মন্তিক্লদ্রবসু অঙাংশিং অসিনা কুম্লকপদা শেল পীদবা য়ারক্ত্রে। মরমদি ফিল্মগী আর্টিষ্ট ওইনা প্রোফেসন ওইরকপা অসিনসুনি। অদুগীসু মথক্তা হেরো-হেরোইনশিং অসি উদুনতা লৈবা পাম্লকপদগীনি। প্রদ্যুশরসু অহানবা পুথোকপা ফিল্মদা শেল মাঙলবসু অনীশুবদা পুথোকপা ফিল্মদদি শেল মাঙহন্নিংদে।

হৌজিক অতেনবা ফিল্ম, দোক্যুমেন্টরি ফিল্মদা অয়াম্বনা মায় ওনশিন্নরক্লবনি। শেলসু খরা হন্থবা, এৱার্দসু ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবা মফম ওইরে। মরমদি হৌজিক্কী মীওইশিং অয়াম্বনা মতম য়াম্না মাঙবসি পাম্নরক্ত্রে। অনৌবা ওইনসু উবা, ঐখোয়গী চীং, পাৎ, তুরেল, কলচরগসু শাগোন্নবা ফিল্মনা হেন্না পাম্নরক্লি।

ফিল্ম হায়বসিদা ষ্টেন্দর্দ লৈবা ফিল্ম মখল খরদি লৈগদবনি, লৈফমসু থোকই। সেলুলোইদ ফিল্ম নম্লিঙৈ মতমদদি হোল খক্তদা নত্তনা য়েংবা ফংনরমদে। মরমদি সেলুলোইদ ফিল্মগী কেসেট অমত্তা থোক্তে। হৌজিক্লা কেসেট লৈরগা/ৱাইরগা খুল অমা য়েংবা য়াবগী ফীভমদা লৈরক্লে। ফিল্ম অমা হোলদা কাপত্রিঙৈদা দিক্সিতা থোরকপসি প্রদ্যুসরগী শেল মাঙহনবনি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা ফিল্ম পুথোকপা হায়বসিদা অনৌবা নুংঙাইবা ফিল্ম অমত্তা লৈতে। মান্নবা ঙাক্তনি। অদুনা হোলদা চৎলগা মীয়াম্না ফিল্ম য়েংদুনা পিরাং শিন্থবা হায়বসি চান্নরক্ত্রে। মরমদি হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিনা মীয়ামগী থম্মোয়সি থোৎ নৌদ্রে। থম্মোয়শিংসি লোয়না কনশিল্লে অদুনা হোলদা ফিল্ম য়েংবা মতমদা কপ্পবগী মফম লৈরক্ত্রে, কপ্পু য়ারক্ত্রে। মসিগুম্বসিসু খঙবা চঙই। অঙাংশিংনা পাম্নবা ফিল্ম ঙাক্তা পুথোকপা অসিনা ফিল্মগী ষ্টেন্দার্দ লেপ্পা ঙম্লোই।

হৌজিক্কী মতম অসিদি কম্প্যুটরগী মতমনিনা শেমনিংবা মওংদা শেম্বা য়ারে। টেক্নিকেলদা য়াম্না ৱাংলে অদুবু মণিপুরদা উরিবসিদি অনৌবা য়াওদে হঞ্জিনবা ঙাক্তনি। হিন্দি ফিল্মগী মতৌ তম্বনি, ৱারীদা কুপ্না য়েংবদা চৎত্রে। ইন্টরনেসনলগী ওইবা য়াবা ফিল্মদা অদোমদা চঙশিন্দ্রে। নাকল অমত্তদা য়েংবা অসিনা ফিল্ম শিরক্লবগী মরম অমসু ওই। মণিপুরগী ফিল্মসি ফনা য়াম্না পুথোক্লে হায়রবসু অহোংবদি লৈতে।

ফিচর ফিল্ম হায়রগদি মীতৈগী ফিজেৎ-চাকচা, থকসি-খাসি, চৎন-লোনচৎ, মিঙ্গৌ অসিসু য়াম্না মরু ওই। মণিপুরগী লৈজরক্লবা চৎনবী কয়া য়াওনা ফিল্মদা মমি তাহন্দুনা খঙহনগদবনি। মণিপুর সোসাইটিদা হান্নদগী লৈরকপা ত্রেদিসন খরসু য়াওনগদবনি। ফিল্মদগী তমহনগদবনি, তমহনবগী মফম পীগদবনি। ফিল্মনা মীয়ামদা পীবা ঙম্বা ইমপেক্ট অদু পুথোকপা চঙই। মরমদি ইংলিস ফিল্ম য়েংবদা কোক্তা চুদুনা লৈবনিনা মদুগা মান্ননা পুথোকপা ঙমদবা অমসু ওইরে।

ফিল্ম পুথোকপা মতমদা ইন্টরটেনমেন্টতা খরা হন্থরগা, খুন্নাইসিদা চখুরিবা অমোৎপা থবক থৌওং কয়াশিং অসিসু খরা হাপ্তুনা পুথোক্লবদি ফিল্মগী মাইওন চুম্লক্কনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা চরাংনরবা ফীভম অসিনা ৱাখলসু চরাংনৈ, থম্মোয়সু মকা লামহন্দে। মরম অদুনা ঐখোয়গী থায়নগী অরিবা ৱারী ময়াম পাম্নরক্লি।

চৎনবী অমা ওইনা ফিল্ম মরি/মঙা নম্বা য়াওরুরগা ফিল্ম দিরেক্টর হেক্তা ওইরকপা অসিনসু থোকহল্লিব্রা হায়বসি ইতোমতা খন্দুনতা লৈ। দিরেক্টরগী থৌদাংদি য়াম্না চাওখ্রে অদুনা মপান্দা তম্লুবশিংনদি খঙবা ঙম্মী। মণিপুরদা লৈরিবা প্রদ্যুশরশিং অসিসু ফিল্ম অমা অনী পুথোক্লগা হেক্তা তোকথোকই। মসিনা ফিল্মগী মশক লেপ্পা ঙম্লোই। মরমদি ফিল্মগী প্রদ্যুশরনা ফিল্ম নম্বদা কথোকপা অমদি ফিল্মদুদা পূক্নিং চঙবা মথৌ তাই। মণিপুরদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা ফিল্ম কুম্বা পাম্মী, ঐসু পাম্বদগী কুম্বনি। অদুবু সেলুলোইদ ফিল্ম মরি/মঙা কুম্লক্লবা আর্টিষ্টশিংগী ওইনা চহী ৪৫ শুদুনা ফিল্মদগী পোত্থারবদি পেন্সন পীরি। মসি Aton Bro না গান্ধী ফিল্ম অমা পুথোকখি, ফিল্ম অসিদা ইন্দিয়া মচা খরসু য়াওই। গান্ধী শারিবসি ফোরেন্নরনি। ফিল্মসি বোম্বেদা য়াম্না শাংনা উৎখি। মদুদগী ফংলকপা শেলফমনা ফিল্ম কুম্লম্বা অহল ওইরবশিংদা পীয়ু হায়দুনা নেসনল ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোপরেসন্দা শিন্নরম্বনি।

মসিগী মতুং ইন্না ঐনা সেলুলোইদ ফিল্ম খোম্থাং, জহেরা, মৈচাক মৈচাক, কনাগা হিংহৌগনি, থম্বাল, অরোইবা বিদাইনচিংবা খরা কুমহৌবদুনা অনীশুবা বেজদা পেন্সন ফংবা ওইখি। অহানবা বেজদা পেন্সন ফংখিবা অসি হেরো কুমখিবা রোবিন্দ্রো অমদি এ শ্যাম অনীনা ইহান হানবা ওইনা ফংখি। মখোয় অনীদি লৈখিদ্রে। অনীশুবা বেজদা ঐখোয়গা পেন্সন ফংমিন্নরকপা কয়া অমদি লৈখিদবা য়াওরে। পেন্সন অসিদি হিংলিবমখৈ পীবনি, শিখ্রবদি পীদে, শেলসু লুপা ৫৫০ দগী ফংবা হৌই। হন্দক্তি লুপা ১৫০০ য়ৌদুনা পেন্সন ফংলকপা চহী ১০ হেল্লে। হৌজিক্তি অমুক নোর্থ ইষ্টকী ওইনা কোলকটানা অমুক পায়রে।

তশেংনা হায়রবদা ঐদি লাই য়েকপা ওইনা তম্লগা পেন্টিং আর্ট অসিদা খোঙদারকপনি। কুমজা ১৯৬৫ দগী আর্ট কোলেজদা তমদুনা য়েকপা হৌরকই। কোলেজ লোইরক্লবা মতুংদা আর কে সি এসতা, ওজা আর কে তোম্বীস্নাগা পূন্না য়েকমিন্নরকই। অদুগা লন্নাই ওইনা য়ূমদা য়েকপা হৌরকপসি কুমজা ১৯৮২ দগীনি। কুমজা ১৯৭০ দগী মণিপুরদা লৈরিবা সিনেমা হোলশিংগী অচৌ অচৌবা পোষ্টরশিং য়েকপা হৌরক্লে। শঙ্কর হোল অমদি মিনি শঙ্কর হোল অনীদুগী পোষ্টর ঐনা য়েক্লম্মী।

মণিপুরগী হোল অসি খুঙ্গংগী অমদি লোইজি লোয়া য়াওনা হোল ৩০ হেন্না য়েকপগী থবক তৌরম্মী। গুৱাহাটিগী অপসরা হোল ফাওবা য়াওনা য়েক্লম্বনি। য়েক্লিবসিসু ফিট ৩০ শাংবা ঙাক্তনি। কটিং হায়না অমুকসু লৈরিবনি, ৱাটর কলর অসিনা য়েকপা ঙাক্তনি। হৌজিক্তি মসি য়েক্লদ্রে, ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা ষ্টুদিওশিংদা লোয়না য়েক্লম্লিবনি। মতমদুদা হোলসি ৪০ রোম শুরমগনি খল্লি।

মতমদু সিনেমা হোলগী ঈহৌ কল্লি। মরমদি ঐনা পোষ্টর য়েকপসিদা অদুক্কী মতিক চিল্লি। অদুনা সিনেমা হোল কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বসি খঙবা ঙম্মী। হোলগী পোষ্টর য়েকপসি ক্যদা লৈনরিবনি। হৌজিক্তি হোলগী ওইবা লম্বী অসিদা পুল্লুদবা অমদি শম্নরুদ্রবনিনা খঙদ্রে। অদুগা মতমদুগী সিনেমা হোলগী ঈহৌ অসি য়াম্না কল্লমখ্রবনি।

হৌজিক্লা ঐসে লাইরিক্কী কভর য়েকপা, ৱারীগী লাই য়েকপনচিংবা তৌরি। চহী খুদিংগী জানুৱারী ২৬, রি পব্লিক দে থৌরমগী টেব্লোসু লেপ্তুনা য়েক্লি। মমাঙদা টেব্লো য়েকপগী মণিপুর ষ্টেট অসিগী ওইনা ফার্ষ্ট সেকেন্দ অনীমক লৌখি। আর কে মনিস্নানা ইবা লাইরিক ৱারী লি খোঙ্গুল লি, ভোল্যুম টুগী লাইসি ঐনা য়েকই। লাইরিক অদু মীতৈগী অরিবা পাউজেল পাউতাক কয়া য়াওবা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী অইবা আর কে মনিস্না অমদি লাইরিক্কী লাই য়েক্লিবা ঐগা ঐখোয় অনীমক এৱার্দসু ফংখি।

চীলদ্রেন লিটরেচর এৱার্দ অসি কুমজা ১৯৯৪-৯৫ দা ফংবনি। পীবসু দিল্লিদা পীবনি অদুনা ঐখোয় অনী চৎতুনা এৱার্দ অদু লৌখি। এৱার্দ অদু এন সি ঈ আর টিনা পীবা এৱার্দনি। অদুনা লাইরিক্কী মখুম অমদি মনুংগী ৱারীগা মরী লৈনবা লাই কয়া য়েকপা লেপ্পা লৈত্রি। জানুৱারী ২৬ কী টেব্লো য়েকপগী থবকসু পায়রি।

ফিল্ম কুম্বা অসিসু আর্টকী লমদা চঙলকপনিনা ঐহাক্লা পামজবা অমা ওইখি। সেলুলোইদ ফিল্মদা য়াওদ্রিঙৈ ঐনা ইহান হান্না কুমখিবা ফিল্মসি ভিদিও ফিল্ম অশিবা থৱায়গী মনি অসিনি। মসিগী মতুংদা সেলুলোইদ ফিল্মশিংদা য়াওরকখিবনি। কুমখিবা ফিল্মশিং অদুসু অহল ওইরবসু মেইন রোল ঙাক্তনি। হাও শাবা, পুলিস শাবা, খুঙ্গংগী অহল, য়ু ঙাওবা, পেরলাইসিস নাবা শাবদা চিংথদনা কুমখ্রে। হৌজিক্কী দিজিটেল হায়রিবা ফিলমশিংদসু য়াওরি। দিজিটেল ফিল্মনি হায়রবসু ফিচর ফিল্ম অমদি ওইরিবনি। দিজিটেল ফিল্ম রিকগনাইজ তৌখ্রেদি হায়বনি। হান্না মীয়াম্না পাম্নবা ফজবা ফিল্ম পুথোকপা ঙম্লবদি কান্নবা ফংগনি খল্লি।

অমরোমদা ঐগী ফংলিবা পেন্সন অসিসু চহী চহীগী রিন্যু তৌরিবনি। অদুনা সেলুলোইদ ফিল্ম কুম্লম্বা অহলশিংসি লৈখিদবা মতমদা মণিপুর ফিল্মগী লমদা খোঙদারম্বশিংনা ফিল্মগী পেন্সন ফংহৌদবা হায়বসি লাইবক থিবনি। পেন্সন ফংবা হায়বসিদা পীরিবসি গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরবদি পীদে। ফিল্মসু ৫/৬ তগী তাদনা কুমগদবনি হায়বা অমসু লৈরি। অদুনা কুমখিবা ফিল্মশিংগী ফোটোগা কোন্ননা চহী খুদিংগী রিন্যু তৌবদা হাপ্লিবনি। রিন্যু তৌদ্রগনা অমুক পীরক্তবা অসুম্না লৈবা মাল্লি। হৌজিক্কী অঙাংশিংগী মতমদদি পেন্সনগী শেনফমসি খরদি চাওখৎলক্লগনি হায়না খল্লি।

---

**ৱারী ককনাউ**

## তা তোম্বা য়াহৌদ্রে

—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

**তা তোম্বগী** খ্বাইদগী হৈনদবী খরা লৈ। অমনা লৈশাবী নুপীগা ৱারী শানবা, অমনা তিলাইখোম্বীনি। তিলাইখোম্বীসিদি মাদি হেক উবগা অদুম চুবজাৎনি। অদুনা তিলাইখোম্বী হায়সিমা মা শাথিনা হৈনদে। অদুগা নুপী হায়সিমসু মপোকঙৈদগী হৌনা নকশিন্নদে। কোলেজ তন্লিঙৈদা মঙোন্দা কাবক-কাবক হোপ চাজবা মশক্কা ঈংখ্রবী অমা লৈরম্মী হায়, নুপীদুনা ইঙ্গিৎনা, মিৎয়েংনা কয়া অমা ফোঙদোক্লবসু তা তোম্বনা ৱা ওইনা লৌখিদ্রবনি। লৈশাবী নুপীদু তা তোম্বদা মাইথীদুনা অতোপ্পা নুপা অমদা মমা মপানা থাজদুনা ময়ূম পানখ্রে। মচা ক্লাস আইট তম্বা অমগা ক্লাস ফাইভ তম্বা অমগা লৈখ্রে। অদুসু নোংমা মাগী মনাও নুপীগী মচাগী স্কুল মিং চনবা চৎপদা থেংনবনি হায়। তা তোম্বগা নুপীদুগা উনবদা কৌদি কৌনদ্রসু হাইফেৎতি নোক্লখি হায়। নুপীদুনদি তা তোম্বা নুপী থিদুনা মচা লৈরে হায়না খল্লমগনি। অদুদি নত্তে।

তা তোম্বসি চহী ৩৮ কুম্বা শুরম্মনি। লাইরিকসু হৈদখৈ হৈরিবনি। থবকসু পংচাও চাওবমক নৎত্রসু থাগী ওইনা লুপা লিশীং ৪০-৪২ মুক ফংবা থবক অমসু তৌজরিবনি। চম্বদি য়াম চম্মী। মঙোন্দা মতমসিগী ওইবা ঈথক-ঈরাং কয়া য়াওদে। শুংয়াওবু য়াওদে। মাগী হায়বু য়াহৌবগা য়ূমগী থবক ইনখাং খরা তৌবা, মনাওনুপাগী মচাশিং খরা লক্লবা, লাইরিক তাকপীবা, অদৈ হেন্দোক্তুনা মখোয়গী মহৈ মশীন তম্বগী, মফি-মরোল লৈবগী শেল পুথোকপা, মনাও নুপীনা থোংবা চাক এঞ্জাং খরা হাওই-হাওতে হায়দনা চারগা ওফিস কাজবা, হল্লকপদা মনা-মশিং থোং থাক্লবা লৈরগা হল্লকপা, মনাওনুপীদা পীশিনবা সিনি মাই থবক হায়সে। চমখ্রবা তা তোম্বনি। মখোয়গী অহলশিং লৈখিদ্রে, অদুনা ইমুংদুগী মপী-মপা হায়দু মানা অদুম ওইরিবনি। মখোয়গী অহল লমনশিংনা হিংলিঙৈদা মাবু ময়ূম-মকৈ পান্নবা কয়া হোৎনরম্লবনি, অদুবু মখোয় মায়থীদুনা লাকখ্রবনি। তা তোম্বা লুহোংবিরমদনা মখোয় ঙসিদি থুপখ্রে, চহীগী কুমওন ফাওবা লোইখ্রে।

তা তোম্বা হন্দক্তি ৱাখল খরা নুংঙাইবদৌনা উই। লৈ য়াম তোয়না য়েংই। নহানখৈ মরোই মখোং শোম্বা, ঈশিং চাইরম্বদু লৈ পাম্বীদনা হেন্না ঈশিং চাইবদৌনা তৌই। লৈ মনা অমদা তীল মচা অমগা তোংলম্মদি হুমাং কাঙখৈ নুংশা থি হায়দু হেক য়ৌই। অয়াম্বা মতমদা মোবাইল ফোন অমদা মেসেজ মেৎল-মেৎলগা নোকফেৎ তৌবসি অয়ূক নুংথিল নুংদাং হায়বা খাইরক্ত্রে। নুমিদাং থেংল-থেংল’ ফাও মেসেজ মেৎপগী মখোল তেৎ-তেৎ-তেৎ হায়সি অদুম তাদুনা লৈ। মোবাইল ফোনদা মেসেজ থাবা, ফেসবুক হাংবা, ৱাটসএপ হাংবা শুংহৈ হৈরম্বা মী নত্তে। পুমচম চল্লম্বনি হন্দক্তনি খরা য়াকশিল্লকইসি। ময়ামসু মাগী হোংলক্লিবা মতৌদুদা কৈনোনে তৌরিসিবো হায়না চিবোন-চিবোন ঙাঙনৈ। মকাদি লাম্নদে। অসুম্না থা অনীরোমসি তা তোম্বা হোংবা য়াবা হোংলে। মমৈদদি ইমুংগী মীশিংসু হরাওনরে, শোয়দনা নুপী কোইরম্মনি, ইমুংসিদা মৌ অনৌবী অহল য়ূম্বুরেম্বী অমা লাক্লনি হায়না।

তা তোম্বনা থানরিবা মেসেজসি পোকপদগী উবা ফংদ্রিবা নুপীনি। নোংমা মাই ফোন্দা রোং নম্বর তাশিল্লকপদগী খঙনখিবনি। তা তোম্বদি নুপীদুগী খোঞ্জেল নৌবদুদা পুঙপং পঙথরুরজাৎনি। শকখঙদবীদুগী নেট পেক হাপ্পীবা, মেসেজ পেক হাপ্পীবা মানা লোই তৌবিরিনি। মেসেজদদি লোইরে অমুক্তোইবা চহী ১০ হেন্না লৈমিন্নরক্লবী অমগা চপ মান্নখ্রে, কনাগী মিঙ্গৌগসি ওন্থোক্তুনা কৌনরে। নুপীদুনা - মোই তামো, মোই বা গাইনা মেসেজ থাজিল্লকপদুদা তা তোম্বদু বেরে-বেরে হেক পেথখিদনা লৌদা লৌরবগুম্না ৱাখলনা আ য়ৌনা শাগৎলুজাৎনি। অদুগদি ঙরাং অহিং মেসেজদা নুপীদুগা কাইনরে - অরোইবা মেসেজ ওইনা, ‘‘হনুবা নঙোন্দবু কনানা লৈবিদৌরিনো, ঐদি চহী ১৯ শুবদা ঙাইরি, চরহে মশকসিগা, হয়েংখৈ মেসেজ থারক্নু, করিগুম্বা থারক্লদি ঐগী নুংশিনবা নুপাদা তাকথোক্লগা নকোক থুগাইহন্নি’’ হায়রকপজাৎনি। মদুদা তা তোম্বা মকোক্তা সনচিংনা নানবগা চপ মান্ননা ঙসি পুং ১০ তারফাও য়াহৌনি কাওরে। ইমুংগী মীশিংনা খন্নে, কৈদৌরজাৎনো? ⊂

---

## রুশ লৈবাক্তা থাবুম অমা

**লমকোয় ৱারী**

*(হান্নগী মখা চখজরকপা…)*

থেংনরকপা চৎনবী খরা

সোভিয়েট অসি কম্যুনিষ্টকী অচৌবা লৈপাক অমনি হায়বসিমদি ঐহাক হান্না খঙখ্রে। কম্যুনিষ্টকী মরমদা হেন্না কুপ্নদি থিরুদে। সোভিয়েতনা মতম শাংনা কম্যুনিষ্টকী লৈপাক ওইরকপসিদা, লমদম অদুগী মীয়াম্না পাম্ন রক্তবা, মীপুম খূদিংনা ডেমোক্র্যাসি চৎপা লৈবাক ওইনিংলকপগী ইহৌ কন্না শন্দোকলকপা মতমদনি ঐখোয়না লৈরুরিবসু। ঐখোয়না সোভিয়েত্তা লৈরুবা মতমসি, গর্বচোভনা মখোয়গী লুচিংবা ওইরি। ঐখোয়না সোভিয়েত্তা অহানব থুংবদা, মখোয়গী ফজবা চৎনবী খর থেংনখি। সোভিয়েটকী দুকান অমদা য়াওবা পোৎশক অমা অতোপ্পা মফম অমগী দুকান্দসু অদুম শোয়দনা য়াউরম্মী। মসিনা, পোৎ লৈরিবা মী অদুনা দুকান শুনবা হংবা চৎপগী মথৌ তাহন্দে। য়োল্লিবা পোৎ খুদিংগী লৈঙাক্লা লেপথোক্লবা মমলদা চে থেক্তুনা থম্মী। থেৎলিবা মমল অদু য়োল্লিবা অমদি লৈরিবা অনীমক্কী ওইনা মাঙদবা মওংদা লেপ্পনি। পোৎ লৈবা মতমদা মন্তিক্লবা চৎনরমদে। ঐখোয়না লৈরিবা হোটেল রোজিয়া অদুগী সোপ্পিং সেন্টর অদুদসু অতৈ দুকানশিংদা ফংবা পোৎ লোইনমক ফংঙি। সোভিয়েট লৈপাক্তা উবা কৈথেলগী মশক অসি তোঙানবা মওং অমনি। অহলগী অমদি অঙাংগী কৈথেল তোঙান্না খায়দোক্লা লৈ। অথূম-অহাউ য়োনফম, অয়েকপা লাই, অনম্বা ফোটো য়োনফম, কেমেরা য়োনফম, ফুরিৎ-ফিরোল য়োনফম তোঙান-তোঙান্না লৈ। সোভিয়েটকী মীওইশিং য়াম্না ৱাং-চাউই অদুনা ফুরিৎ ফিরোলশিংগী সাইজশিং চাওই। করিগুম্বা, ঐখোয়দা চাবা ফুরিৎ-ফিরোল লৈবা তারবদি, ঐখোয়গী ওইনদি অঙাংগী দুকান্দা চঙলগা লৈরুবা তাখি। মখোয়গী অঙাংশিংগী সাইজগা ঐখোয়গা চানৈ। ঐখোয়গী শাবান য়েংলগা ঐখোয়গী ইন্টরপ্রিটরশিংনা অঙাংগী দুকান্দা পুশিল্লি। মতুং তারকপদদি, ইন্টরপ্রিটর য়াওদনা ঐখোয় ঙাক্তা অঙাংগী দুকান্দা চঙদুনা অপাম্বা ফি-রোল লৈনরুই। দুকান্দা পোৎ য়োল্লীবা সেলসমেন খূদিংমক নুপী ঙাক্তনি। লৈবা-য়োনবগী ৱা ঙাঙনবসু নুংঙাই। মখোয়না ঐখোয়দা রুশ মরোল ঙাঙলক্কনি, ঐখোয়না মৈতৈলোন্দা খুমগনি। পাউ অদুম ফাওনৈ, করিনা মখোয় ইংলিস ঙাঙদে, খঙদে। ইংলিসতা ঙাঙববুদি ঐখোয়গী মৈতৈলোন্দা ঙাঙবদা হেন্না ফাউনৈ, পাউ খঙনবগুম তৌই ৱাফমসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে, মসিসু অঙকপা অমনি। নুপীনা পোৎ য়োনবা উরগা, ঐখোয়গী ইমা-ইবেনশিংনা ফম্বা নুপীশিংতগী কৈথেল নীংশিংলকই। নুপী ঙাক্তনা ফম্বা কৈথেল মখোয়গীসু মরাঙ কায়না থেংনৈ। নুপী খূদিংমক মায়থোং মকা লাম্না উই। মশা লোইনমক খীংঙি। কৈথেল ফম্লিবা নুপীশিংদু ঐখোয়গী ইমা-ইবেনশিংগুম ঙাওবা ফৈ। মীকৌ-মীরম ফজৈ। মসিমদি ঐখোয়গা মান্নরপ তৌই। ফিজোলদি অঙাঙবা মচুগী মিদি অয়াম্বনা শেৎলি। মীরক থোকলকপদা সোভিয়েটকী নুপীশিং অঙাঙবা মচুগী ফিরোলশিং নম্না শেৎপা থেংনৈ। ঐখোয়গী ইন্টরপ্রিটর ওইরিবী মেরিনাসু ঐখোয়গী নাক্তা লাকপা খূদিংগী অঙাঙবা মচুগী ফিজোলশিং শেৎলকই। ঐনা নোংমা হংখি।

- মেরিনা, নঙনা মতম পুন্নমক্তা অঙাঙবা মচু শেৎলিবদু করিগীনো অঙাঙবা হায়বসি খুদোং থীবগী খূদমনি হায়নৈ। নঙ কিদ্রা?

- ঐখোয়গী লৈবাক অসিদদি, রেদ ইজ ব্যুটিনি। সোভিয়েটকী লৈশাবী অমনা অঙাঙবা মচুগী ফিজোল শেৎত্রবদি মহাক ফেসন তৌদে হায়না নোক্লখিনি। অদুগা অমুক, অঙাঙবা মচুসিনা ঐগী খ্বাইদগী পামজবনি। অঙাঙবা মচু শীজিন্নবগা লোয়ননা শমসু অমুক খোইহল্লগদি কেবদা খম থেংলে। অঙাঙবা মচুসি, ফজবগী খূদমনি, সিম্বোল ওফ ব্যুটিনি। নুপাশিংসু অদু মঙাই। নেক তাই পুনবদা অঙাঙবা মচুগী তাই পুনবা উরিবসি, মখোয়সু ফেসন তৌরিবনি।

কয়াদা লাইনা খুমলকখিবা পাউখুম্লো। অঙাঙবা মচু শীজিন্নবসি মখোয়গীদি ফজবগী খূদমনি হায়না মেরিনানা হায়বসি চুম্মী। ৱাং-চাউবা শাবান, ঙৌরোক-ঙৌবা কুচুদা, অঙাঙবা মচুনা লৈতেং ওইদুনা কেথোকলকপদা মখোয়গী ফজবা মশক খঙবা ঙম্মী। তাইবঙ শেম্বা মপুনা লোইনমক ফজহল্লগসু অশোয়বা খরসু মখোয়দা লৈহল্লম্মী। মখোয়গী য়াশিংনা ঙৌবগী মহুত্তা ঙাঙলপ তৌরি, মশমশিংসু ঙাঙলপ তৌই। পিশুম, পা, মিৎ নহা ফাওবা লোইনমক ঙাঙঙি। নুপীশিংনা মখোয়গী অঙাঙবা শমশিং পৌনা-পৌনা খোইহল্লি। খোইহনবগী মওং অসি য়াও হায়বা শাগী মতৌ লৌবনি হায়রকখি। মখোয় মশেল উনবদদি করিসু য়েংনরমদবা য়াই। ঙাঙলৈনবা য়া অদু লৌথোক্লগা, সনাগী য়া হাপ্পা মীওই য়াম্না থেংনৈ। মসিসু কেবগী মওং অমা ওইনা চৎনৈ। অদু ওইরবসু, নোকলকপদা কুন্দো পরেংগুম, য়াতোন লংনা ফজবা হায়বসিমদি মখোয়দা য়াওরমখিদে। ঐখোয়গী অঙৌবা য়াশিং, অমুবা শম উবদা, মখোয়না ঐখোয়গী য়া অমদি শম অসি য়াম্না পামখি, কল্লকখি।

কোয়না চৎপদা, সোভিয়েটকী য়ুমশিংদা হোটেলদা, রেস্টুরাদা, পিয়ানো (খোংনবা যন্ত্র অমা) শোয়দনা লৈরম্বা থেংনৈ। পিয়ানো মখল অচৌবদগীনা মচা ফাওবা কা অমদা হেক্তা লৈরম্মী। লৈশাবীদগীনা মীয়াই চল্লবী নুপী ফাওবা অচৌবা, খুউ য়ৌনা চোনবা কোট লিৎলগা ভাইওলিন পুদুনা লম্বীদা চৎলি। ঐনা হংলুবদা মেরিনানা, মখোয়গী লৈবাক অসিদা পিয়ানো অমদি ভাইওলিন খোংবা অসি নুপী খূদিংমক্লা হৈতোবা য়াদে হায়না হায়খি। ৱাফমসি চম্না হায়বা ওইরমদ্রে। নুপী খূদিংমক নোংমদি মমা হায়বসি ওইরগদবনি। মচাশিংবু নাউশুম ঈশৈ শক্তুনা থেম্নবা পিয়ানো নত্রগা ভাইওলিন অসি তঙাইফদনা নুপী খূদিংমক্তা খোংবা হৈতবা য়াদে। য়ূম খূদিংগী লৈরিবা পিয়ানো অসি মচাগীদমক্তনি। মমা অমদি মচাগী পোৎথা খুৎলাইনি। নুপাশিংগীসু এক্কোর্ডিয়ন অসি থানবা য়াদবা খোংনা খুৎলাই অমা ওইনা লোয়নবা উরকই। লৌবুক্তা, থবক শূফমদা নুপাশিংনা এক্কোর্ডিয়ন খোংদুনা ঈশৈ শক্লে। হরাউবদা, মখোয়গী ফেষ্টিভেলশিংদা নুপা-নুপী ময়াম পূন্না জগোয় শামিন্নবদা এক্কোর্ডিয়ন খোংই। মখোয় মখোয়গী য়ূমগী লোয়নবীশিংবু নুপাশিংনা নুংঙাইহন্নবা, পূক্নিং পেন্নবা এক্কোর্ডিয়ন খোংদুনা তাহল্লি। জগোয় শামিন্নৈ, ঈশৈ শকমিন্নৈ। মসি মখোয়গী চৎনবী অমা ওইনা থেংনৈ। নুপী খূদিংমক পিয়ানো নত্রগা ভাইওলিন খোংবা হৈগদবনি হায়বসিদা ঐনা মেরিনাদা হংখি।

- মেরিনা, নহাক্তী পিয়ানো নত্রগা ভাইওলিন অনী অসিগী মরক্তা করম্বা ইনষ্ট্রুমেন্ট খোংবা হৈবগে?

- ঐদি পিয়ানো খোংবা হৈ।

- অতৈ মছা, টানিয়া অদুগা জুলিয়া খোয়দি?

- মছাদি ভাইওলিন খোংবা হৈ।

টানিয়াগা জুলিয়াগদি ৱাখল্লোন খর অতৈগা লাপ্নরম্মী। নুপী ওইরবসু খেন্নবসি অদুম লৈবজাৎনি। অহানবা উন্নবদসু খেন্নবসি অদুম উখ্রবনি। মেরিনা অমদি মছা মখোয় অনীনা ৱা কয়া ঙাঙগন্দে, টানিয়াগা জুলিয়াগদি ৱা য়াম্না ঙাঙঙি, খেংঙি, মী কিদে। ফাগীসু অদুম মতৌরকই। নুপা মানবা মতাঙসু খর অদুম থেংনৈ। প্রোমিল যোশিদি ইন্দিয়া মচা ওইবনিনা, মখোয়দগী অমুক পুমতোন তোংঙাল্লি।

য়েংলক-উরকপদা, থৌদোক খরা

সোভিয়েটসি চাওরবা লৈপাক তরামঙানা পুল্লগা শেমখিবনি হায়বসি ঙসি কাওনরে। লৈপাক তরামঙাসিগী মনুংদা ঐখোয়না চৎকদৌরিবা মফমসি য়ারসলোভ, রোস্তোভ, মিন্সক, মোস্কো, লেনিনগ্রেট অসিনি। অহানবদা লৈরিবসিনা মোস্কোনি। য়ারসলোভ, রোস্তোভ, লৈপাক অনীসিমদি মোস্কোদগী ট্রেনগী লম্বীদা চৎলি। মিন্সক অমদি লেনিনগ্রেট অনীসিমনা, এরোপ্লেন্দ প্লেন্না চৎলি। চৎলুবা লৈপাক খূদিংমক্কী য়েংলক-উরকপদা কাওঙমদ্রবা কয়ানা মীৎমাঙসিদা পরেং লেংদুনা লৈরি। পাউ তম্বনা অশেংবা উরকপদা ফংখিবা, ফাওখিবা কয়া অদুগী মহাওদুমক চপ চানা পীবদি ঐগী অৱাৎপনা হেনগনি। অদু ওইরগসু, খঙহঞ্জনিংবা-তাহঞ্জনিংবনা মরম ওইদুনা নীংশিংবা খরদি মীয়ামদা তমজনিংঙি।

*(-মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

---

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩**

১। ‘‘মপু সনা কৈথেলদা মিংচৎ নঙবু থোকপরা’’ ৱাফম অসি করম্বা কবিনা হায়রম্বনো?

২। ৱারীমচা ইবা মাইবম নবকিশ্বরনা শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙখ্রে। করি মমিং কৌই?

৩। ‘লৈ মনা অমতং’ করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪। ‘মধুশালা’ বু মণিপুরীদা হন্দোকপগীদমক ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখিবা মীশক্তু কনানো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খূদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।